প্রসিদেন্ট মীখলগী মতাংদা ওপোজিসন পার্টিশিং নাকপাক তানবগী ফীভমদা লৈরে

লক্ষ্ণৌ, জুন ২০(এজেন্সী) :

লৈবাক অসিগী ওইনা খ্বাইদগী ৱাংবা কন্সটিট্যুসনেল পোষ্ট ওইরিবা প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলগা মরী লৈননা বি জে পিনা পুথোরকপা মীরেপ্তা সমাজৱাদি পার্টিনা শৌগৎলকপদগী ওপোজিসন পার্টিশিং নাকপাক তানবগী ফীভমদা লৈরে।

বি জে পিনা প্রসিদেন্ট মীরেপ ওইনা পুখৎলকপা রাম নাথ কোবিন্দদা সমাজৱাদি পার্টিগী লুচিংবা মুলায়ম সিংহ যাদবনা শৌগৎলগনি হায়না ফোঙদোকখি।

মীখলগা মরী লৈননা পাটনাদা মরুওইবা মীফম অমা পাঙথোক্কদৌরি।

পাউমীশিংগা উনবা অমদা ভেটেরান সোসলিষ্ট লীদর অসিনা হায়খি, বি জে পিনা মতিক চাবা মীরেপ অমা পুথোরক্লে। এন দি এগী মীরেপ ওইনা পুথোরক্লিবা রাম নাথ কোবিন্দনা প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিটিশ কুমারনসু বি জে পিগী প্রসিদেন্ট মীরেপপু থাগৎপা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

পাউমীশিংগা উনবা অমদা নিটিশ কুমারনা হায়খি, বিহারগী গভর্ণর অমা ওইনা মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা মীওই অমনা লৈবাক্কী প্রসিদেন্ট ওইরবদি মীপুম খুদিংমক্কী কানগনি। অদুমওইনমক মীখলদা রাম নাথ কোবিন্দবু শৌগৎকদ্রা হায়বগী মতাংদদি মহাক্না ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকখিদে।

জুন ২২ দা ওপোজিসন পার্টিশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা অরোইবা ৱারেপ লৌগদৌরি। জনতা দল য়ুনাইটেদকী ওইনসু য়ুমশকৈশা নুমিৎতা প্রসিদেন্ট মীখলগা মরী লৈননা পাটনাদা মরুওইবা মীফম অমা পাঙথোক্কদৌরি।

পার্টিগী স্পোক্সপার্সন রজিব রঞ্জননা হায়খি, মীফমদা শরুক য়াগদবা পার্টিগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংনা প্রসিদেন্ট মীখলগী মতাংদা অরোইবা ৱারেপ অমা লৌরগনি।

ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না বিহারগী গভর্ণর অমদি দলিট লুচিংবা রাম নাথ কোবিন্দবু প্রসিদেন্ট মীরেপ ওইনা খনখ্রবা মতুংদা লেফট পার্টিশিংনা ওপোজিসনগী তোখায়বা মীরেপ অমা থাগৎনবা ফিরেপ লৌবা লৈখ্রবনি।

কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (মার্ক্সিষ্ট)কী জেনরেল সেক্রেটরি সিতারাম য়েচুরিনা পাউমীশিংদা হায়খি, জুন ২২ দা ওপোজিসন পার্টিশিংগী মীফম অমা কৌদুনা প্রসিদেন্ট মীখলদা ওপোজিসনগী মীরেপ থাগৎনবা খন্নরগনি।

কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীনা প্রসিদেন্ট মীখলগী মতাংদা অরোইবা ৱারেপ লৌদ্রিঙৈদা পার্টিগী লুচিংবশিংগা ৱারী শানখিগনি হায়রি।

বি জে পিনা কোবিন্দবু মীরেপ ওইনা থাগৎনবা থৌরাং লৌখৎলকপনা ইন্দিয়াগী অপূনবা মীশীংগী চাদা ১৫ ওইরিবা দলিটশিংগী মতেং ফংলগনি হায়না থাজনরি।

অমরোমদা, কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই)নসু কোবিন্দগী মায়োক্তা ওপোজিসনগী মীরেপ অমা থাগৎকদবনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে। ওপোজিসন পার্টিশিংনা প্রসিদেন্ট মীখলগী মতাংদা মতিক চাবা মীরেপ খন্নবগীদমক মেম্বর ১০ না শাবা পেনেল অমা শেমখ্রবনি।

গভর্ণমেন্টনা তোঙান-তোঙানবা পার্টিশিংগা ৱারী শানদুনা অরোইবা ৱারেপ লৌরবা মতুংদা পেনেল মেম্বরশিংনা অরোইবা ৱারেপ অমা লৌগদৌরি। অদুমওই-নমক হন্দক্কী মীখলদা ওপোজিসননা মায় পাকপা য়াবগী মমি শান্না লৈরি।

মীখলদা ওপোজিসনগী মীরেপ থাগৎপা তারবসু মায় পাকপা য়াবা মশীং য়ৌগদবা ভোট লাখ ১.৫ রোম ৱাৎলি। কুমজা ২০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা জেনরেল ইলেক্সন মমাঙদা ওপোজিসন পার্টিনা বি জে পিগী মায়োক্তা লৈবা গ্রান্দ এল্লাইন্স অমা শেম্বগা লোয়ননা প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদসু ওপোজিসনগী মীরেপ থাগৎনবা হোৎনরিঙৈগী চৈরক্তা এন দি এনা প্রসিদেন্ট মীরেপ লাউথোরকখিবনি।

মতম কক্তবা খোঙজংনা দার্জীলিংদা মহৌশাগী পূন্সিদা অকায়বা থোকহনখ্রে

দার্জীলিং, জুন ২০(এজেন্সী) :

গোর্খা জনমুক্তি মোর্চা (জি জে এম)না পার্টি খুদিংমক্কী ওইবা মীফম অমা কৌদুনা মখা তাবা খোঙজংগী মতাংদা কুপ্না খন্নখ্রে।

অমরোমদা, গোর্খা মীয়ামগী মতম কক্তবা খোঙজংনা মরম ওইরগা দার্জীলিংদা মহৌশাগী পূন্সিদা চাওনা অকায়বা থোকহল্লে।

জিমখন্না ক্লবতা অয়ুক্কী পুং ১১ তাবদা পাঙথোকখিবা মীফমদা পোলিটিকেল পার্টি পুম্নমক্কী মীহুৎ কাঙবুশিং শরুক য়াখি। মীফম অদুনা তোখায়বা গোর্খালেন্দ ষ্টেট ফংদ্রিবা ফাওবা মখা তাবা খোঙজং চঙশিন্নবা ৱারেপ লৌখি।

সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা দার্জীলিংগী লম্বী খুদিংমক্তা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগা লোয়ননা ইন্টরনেট সার্ভিস লেপহন্দুনা গোর্খা মীয়ামগী খোঙজং লাকশিন্নবা হোৎনরি। হীদাক লাংথক য়োনবা দুকানশিং নৎতনা অতৈ মখল খুদিংমক্কী দুকান পুম্নমক থোঙ লোন্নখি।

তোখায়বা ষ্টেট তাল্লিবা গোর্খা মীয়াম্না ঙরাং দার্জীলিংদা অচৌবা খোঙচৎ অমা চৎখিবগা লোয়ননা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জীগী ইফিজি মৈ থাখি।

অমরোমদা, ৱেষ্ট বেঙ্গল গভর্ণমেন্টনা সোসল মিদিয়াগী খুখাংদা তোকঙা শন্দোকপা থিংনবগী পান্দমদা জুন ২৬ ফাওবা ইন্টরনেট থিংজিন্নবা ফিরেপ লৌখ্রে। থৌওং অসি মীয়ামগী ফন্দামেন্টেল রাইট ওইরিবা ফ্রীদম ওফ এক্সপ্রেসন খোঙ্গাওনবনি হায়না মীয়াম্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

মমতা বেনর্জীনা লুচিংবা ৱেষ্ট বেঙ্গল গভর্ণমেন্টনা ষ্টেটকী স্কুল খুদিংমক্তা বেঙ্গলি তমহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপগী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা দার্জীলিংদা গোর্খা মীয়াম্না অকনবা মওংদা খোঙজং চঙশিনবা হৌরকখিবনি। দার্জীলিংদা লৈরিবা মীওই অয়াম্বা নেপালি লোল ঙাঙবা মরম্না ষ্টেট লৈঙাক্কী ফিরেপ অদু য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

মীয়াম্না তোখায়বা গোর্খালেন্দ ষ্টেট তাল্লদুনা খোঙজং চঙশিল্লকপদগী লৈঙাক্না ঈহৌ নমথনবা হোৎনবদা জি জে এমগী মীওই অহুম শিখি। জুন ১৮ দা জি জে এম শৌগৎপা মীওই অহুম পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদা লৈখিদ্রবা মতুংদা জুন ২০গী অহিং নোংয়াইদগী দার্জীলিংদা ইন্টরনেট সার্ভিস থিংজিন্নবা ফিরেপ লৌখি।

জি জে এমনা তোখায়বা ষ্টেট তাল্লদুনা চঙশিল্লকখিবা খোঙজংনা দার্জীলিংগী টুরিজম ইন্দষ্ট্রি শোকহনবগা লোয়ননা শেন্মীৎলোনদা চাওনা অকায়বা পীরকখি।

‘ক্বিন ওফ হিলস’ হায়না খঙনবা দার্জীলিংদা হৌজিক লৈবাক মনুং অমদি মপানগী লম কোয়বা মীওই অমত্তা লাকখিদবা মরম্না শেল লাক্লবগী লম্বী ককখ্রে। দার্জীলিংদা দুকান ফম্বা মীওই অমনা এ এন আইদা হায়খি, চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিনা মরম ওইরগা মপানগী মীওই অমত্তা লাক্তবদগী লল্লোন ইতিক্কী থবক থৌরম পুম্নমক চপ লেপ্তুনা লৈরে।

অমরোমদা, হোটেল ফম্বা মীওই অমনা হায়খি, লম কোয়রকপা মীওই অয়াম্বা দার্জীলিং থাদোক্তুনা চৎখিবদগী খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লরে। লৈঙাক্না চীংগী দিষ্ট্রিক্ট অসিদা থোক্লিবা ৱাথোক লোইশিনহন্দুনা মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিনহন্নবা হোৎনফম থোকই। দার্জীলিংগী মরুওইবা শেল লাক্লবগী লম্বীদি টুরিজম অমসুং টি ইন্দিষ্ট্রিনি। কুমজা ১৮৬০গী অঙনবা শরুক্তগী হৌনা মফম অসি লম কোয়বশিংনা পাম্না লাক্লবা মফম অমা ওইখি।

নোংপোক থংবা ইন্দিয়াদা মপান লৈবাক্কী লম কোয়বা খ্বাইদগী য়াম্না লাকপা মফম দার্জীলিংনা ওইরি। চহী খুদিংগী দার্জীলিংদা মপান লৈবাক্কী লম কোয়বা মীওই ৫০,০০০ অমসুং ইন্দিয়া মনুংগী লম কোয়বা মীওই লাখ ৫ রোম লাকই হায়রি।

মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিল্লক্কবা হোৎনবদা এদমিনিষ্ট্রেসনগী মতেং পাংনবগীদমক সেন্টরনা দার্জীলিংদা অহেনবা পেরামিলিটরি পার্সনেল ৬০০ থাজিনখিবগা লোয়ননা ৱেষ্ট বেঙ্গল গভর্ণমেন্টতা মপুং ফাবা রিপোর্ট অমা পীরক্কবা খঙহনবা লৈখ্রবনি।

‘সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েল খঙলগা ষণশাগী মতাংদা অরোইবা ৱারেপ লৌগনি’

চেন্নাই, জুন ২০(এজেন্সী) :

টামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর কে পালানিস্বামিনা হায়খ্রে মদুদি, সুপ্রিম কোর্টনা অরোইবা ৱায়েল পীরক্কবা মতুংদা সেন্টরনা হন্দক ষণ য়োনবা থিংখিবগী মতাংদা অরোইবা ৱারেপ লৌগনি।

এসেমব্লিদা ৱা ঙাঙখিবদা পালানিস্বামিনা হায়খি, হৌজিকমক্কী ওইনদি সেন্টরগী নোটিফিকেসন অদু ঙাক্না চৎপা মথৌ তাই। ওপোজিসননা সেন্টরগী ফিরেপ অদুগী মায়োক্তা রিজোল্যুসন অমা পাস তৌনবা তকশিল্লকপদা মহাক্না অয়াবা পীখিদে।

এসেমব্লি মীফম লোইরবা মতুংদা দ্রাবিদা মুনেত্রা কঝগম (দি এম কে) না ষণ হাৎপা অমসুং ষণশা চাবগী মতাংদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী চপ চাবা ফিরেপ অমা লৌফম থোকই হায়না ফোঙদোকখি।

পালানিস্বামিনা সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েল ফংলবা মতুংদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী চপ চাবা ফিরেপ লৌগনি হায়না পীখিবা পাউখুম অদুবু দি এম কে অমসুং কোংগ্রেসকী মেম্বরশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

এসেমব্লি মীফম চথুরিঙৈদা পালানিস্বামিনা হীরম অসিগী মতাংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা দি এম কেগী লুচিংবা ষ্টেলিন অমদি অতৈ ওপোজিসন মেম্বর কয়া হাউসতগী মপান থোকখি।

জুন ১৫ দা সেন্টরনা ষণ য়োনবা থিংখিবগী মায়োক্তা থাঙ্গৎলকপা পিটিসন অমা সুপ্রিম কোর্টনা হিয়ারিং চথুবা লৈখ্রবনি। হায়দ্রবাদতা বেজ তৌবা ফহিম কুরেসি কৌবা উকিল অমনা সেন্টরগী নোটিফিকেসন অদুবু শীংনরদুনা সুপ্রিম কোর্টতা পিটিসন অমা ফাইল তৌখিবনি।

সেন্টরনা ষণ হাৎপা থিংনবগী মতাংদা লৌখিবা ফিরেপ অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা অরুনাচল প্রদেশ য়ুথ কোংগ্রেস (এ পি ৱাই সী)না খোঙজং চঙশিনবা লৈখ্রে।

বি জে পিনা লূচিংবা এন দি এ গভর্ণমেন্টপু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা নোর্থ ইষ্টকী থৌরম পুরিবা এ আই সী সীগী সেক্রেটরি সরিফা রহমননা হায়খি, কনাগুম্বা মীওই অমনা করম্বা চীঞ্জাক চাগদগে অমসুং মশাগী চাকশঙদা করম্বা ইঞ্জাং থোংগদগে হায়বগী মতাংদা বি জে পিনা ৱারেপ লৌফম থোক্তে।

অরুনাচল প্রদেশ কোংগ্রেস কন্মিটি (এ পি সী সী), অতৈ ফ্রন্টেল ওর্গনাইজেসনশিং অমসুং দিষ্ট্রিক্ট য়ুনিটশিংনা ষ্টেট কোংগ্রেসকী হেদক্বার্টর ওইরিবা রজিব ভবন্দগী হৌরগা ইটানগরগী মিথুন গেট ফাওবা খোঙচৎ অমা চৎখি।

গভর্নর পি বি অচারিয়াদা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অমদা এ পি সী সীনা ষণ হাৎপগী মতাংদা থম্লিবা সেন্টরগী অথিংবা খুদক্তা লৌথোক্কদবনি হায়না তকশিনখি।

এ পি ৱাই সীগী প্রসিদেন্ট তিকে তাকোনা হায়খি, অরুনাচল য়াওনা অৱাং নোংপোক লমদমদা লৈরিবা ষ্টেটশিংগী তোপ তোপ্পা চৎনবী অমসুং নাৎ লৈজে। অৱাং নোংপোক্তা খুনদারিবা মীয়ামগী চাকচা য়ুথকসু ইনিদয়াগী ময়োল লমদমগা মান্নদে। শা চাবা হায়বসি অরুনাচল প্রদেশ য়াওনা অৱাং নোংপোক্তা খুন্দারিবা মীওইশিংগীদমক্তদি তঙাইফদবা অমনি। ঘী অমসুং হৱাই চারগা হিংবা ঙল্লোইদবা অৱাং নোংপোক্কী মীয়াম্বু মশাগী অপাম্বা চীঞ্জাক চাবদা অথিংবা পীরোইদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অযোধ্যাদা ভি ঐচ পিনা রাম টেম্পল শানবগীদমক নুঙ পৈশিনবা হৌখ্রে

অযোধ্যা, জুন ২০(এজেন্সী) :

বিস্বা হিন্দু পরিষদ (ভি ঐচ পি)না অযোধ্যাদা রাম টেম্পল শানবগীদমক নুঙ পৈশিনবগী থবক হৌখ্রে।

উত্তর প্রদেশতা বি জে পিগী লৈঙাক লৈরবনিনা রাম টেম্পল শাবদা থোইদোক্না খুদোংচাদবা লৈররোই হায়না লূপ অসিনা থাজবা থম্লি।

ভি ঐচ পিনা হায়খি মদুদি, সুপ্রিম কোর্টনা বাব্রি মসজিদ-রাম জন্মভুমীগী মতাংদা পীনিংবা ৱায়েল পীরল্লকবসু চহী অমগী মনুংদা শুংশোয় শোয়দনা রাম টেম্পল শাবা হৌরগনি।

রাজস্থানগী ভারতপুরদগী নুঙ ট্রক অনী থন্না রাম টেম্পল শাফমদা পুরক্লে। য়ামদ্রবদা নুঙ ট্রক ১০০ রোম চঙগনি হায়না ভি ঐচ পিগী সিনিয়র লীদর ত্রিলোকি নাথ পান্দেনা পাউমীশংদা ফোঙদোকখি।

চহী ৬ পন্দুনা লৈরকখিবা অযোধ্যাগী রাম জন্মভুমী-বাব্রি মসজিদকী ৱাথোক কোর্টকী মপান্দা য়াশিন্নবা পুরক্কদবনি হায়না সুপ্রিম কোর্টনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

মরী লৈনবা খুদিংমক্না অযোধ্যাগী মতাংদা ৱারোইশিন পুরক্লবা পাম্বে অমা পুথোক্কদবনি হায়না পল্লদুনা সুপ্রিম কোর্টনা হায়খি মদুদি, করিগুম্বা মথৌ তারবদি হীরম অসিগী মতাংদা প্রিন্সিপাল নিগোসিএটর অমা খনবদা অকায়বা লৈতে।

চীফ জষ্টিশ জে এস খেহরনা লুচিংবা বেঞ্চ অমনা হায়খি, অসিগুম্বা লাইনিং লম্বীগা মরী লৈনবা ৱাথোকশিং ৱারী শানরগা য়াশিন্নবা পুরক্কদবনি। মীওইবগী লাইনিং লম্বী অমদি পূক্নিং ৱাখলগা মরী লৈনবা ৱাফম ওইবনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা ফম্মিন্নরগা ৱারোইশিন পুরকপা মথৌ তাই।

মমাঙদা য়েৎনরিবা বাব্রি মসজিদ থুগায়নবা লৌতুনবদা বি জে পিগী সিনিয়র লীদর এল কে অদভানি অমসুং অতোপ্পা মীওই ১২ চেন্নে হায়না সেন্ট্রল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই)না সুপ্রিম কোর্টতা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। পোলিটিসিয়নশিংগী মথক্তা ফাইল তৌখিবা চার্জশিং হিংগৎননবা তকশিল্লদুনা সী বি আইনা হায়খি, টেক্নিকেলগী ওইবা মরম খরদগী অদভানি অমসুং অতৈ মীওই খরনা কন্সপিরেসিগী চার্জ মায়োক্লখিদে।

পনবা য়াবদি, কুমজা ১৯৯২ দা মশীং য়াম্লবা হিন্দু ফুরুপকী মীওই চা কয়ানা শীংজং, নুঙথং অমদি অতৈ খুৎলায় কয়ামরুম পায়দুনা বাব্রি মসজিদ থুগায়খিবদগী লৈবাক অসিদা কাঙলূপকী হাৎনা-শুনবা থোক্লক্তুনা মীওই ৩,০০০ হেন্না শিখ্রবনি।

হিন্দু অমদি মুস্লিম ফুরুপকী মীওইশিংনা অযোধ্যাগী মতাংদা মতম কয়াগী মমাঙদগী য়েৎনদুনা লাকখি। হিন্দুশিংগী লাই রামগী পোক্লফমনি হায়না থাজনরিবা মফম অসিদা লৈরম্বা লাইশঙ অমা মুঘল নিংথৌরেল বাবরনা থুগায়রগা মসজিদ শাখিবনি হায়না হিন্দুশিংনা য়েৎখি।

সুপ্রিম কোর্টনা বি জে পি অমদি অতৈ হিন্দু রাইট ৱিং লীদর খরগী মথক্তা বাব্রি মসজিদ থুগায়খিবগা মরী লৈননা ক্রিমিনেল কন্সপিরেসিগী চার্জ নৌনা অমুক হিংগৎহনবা য়াই হায়না ঈঙ্গিৎ পীবা লৈখ্রবনি।

জুন ৮গী মতুং তারকপদা লৌমী ১৭ মশা মথন্তা শিজখ্রে

ভোপাল, জুন ২০(এজেন্সী) :

শেন্দোন শীংবা ঙমদবদগী মধ্য প্রদেশতা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা লৌমী অনী অমগসু মশা মথন্তা শিজখিবগা লোয়ননা জুন ৮গী মতুং তারকপদা ষ্টেট অসিদা মথন্তা শিজখিবা লৌমী ১৭ শুরে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে। খ্বাইদগী ইকোন কোনবা ওইনা নরসিংহপুর অমদি হোশঙ্গবাদ দিষ্ট্রিক্টতা লৌমী অনী মথন্তা শিজখিবনি।

হোশঙ্গবাদতা মশাগী চহী ৪০ শুরবা বাবুলাল বর্মানা মথন্তা মৈ থারগা শিজখি। মৈনা চাকপদগী শোক্লবা বর্মাবু খুদক্তা ভোপালগী বামিদিয়া হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। অদুবু লায়কন্নবা ঙমদনা শিখি। অতোপ্পা থৌদোক অমদনা নরসিংহপুর দিষ্ট্রিক্টতা মশাগী চহী ৬৫ শুরবা লক্ষ্মীগুমাস্টানা মীগী শেন্দোন শীংবা ঙমদবদগী হূ থক্লগা শিজখি।

ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা ফোঙদোরকপা মতুংইন্না লুপা লাখ ৪ রোম শীংবা ঙমদবদগী গুমাস্টানা মথন্তা হূ থক্লগা শিজখিবনি হায়রি।

মমাঙদসু ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৌমী ২ মথন্তা শিজবা লৈখ্রবনি।

ওফিসলশিংনা হায়খি, চীফ মিনিষ্টর শিবরাজ সিংহ চৌহানগী পোক্লফম দিষ্ট্রিক্ট ওইরিবা সেহোরদা মশাগী চহী ৫৫ শুরবা লৌমী অমা থৌরী য়ান্দুনা শিজখি। বিদিশাদনা মশাগী চহী ৩৫ শুরবা লৌমী অমা মথন্তা শিজখিবনি।

জুন ৬ তা লৌমীশিংনা লোন কোকপীনবা তকশিল্লদুনা মন্দশোরদা খোঙজং চঙশিল্লকখ্রবা মতুংদা মতৌ অসুম্না মশা মথন্তা শিজখিবা লৌমী ১৭ শুখ্রে।

ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা হায়খি, মশা মথন্তা শিজখ্রবা বন্সি লাল মিনানা বেঙ্ক অমদগী লোন লৌখি। লোনগী শেনফম শীংবা ঙমদবদগী মিনানা ৱাখল নুংঙাইতবগী অচৌবা পোৎলুম অমা পুদুনা লাকখি হায়না মচানুপা মনোজনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

সেহোরগী এদিসনেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস এ পি সিংহনা হায়খি মদুদি, লৌমীশিংনা মশা মথন্তা শিজখিবগী চপ চাবা মরম খঙদোক্লবা হোৎনরি।

বিদিশাদা জিবন সিংহ মিনা কৌবা লৌমী অমনা হৈনৌ পাম্বী অমদা থৌরী য়ান্দুনা শিজখি। ইমুং-মনুংনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না মীগী শেন্দোন শীংবা ঙমদবদগী মহাক মতম শাংনা ৱাখল নুংঙাইতবগী অৱাবা মায়োক্লদুনা লাকখি হায়রি।

টৈহসিলদার সন্তোশ বিটোলিয়ানদি মিনানা মীগী শেন্দোন শীংবা ঙমদবদগী মথন্তা শিজখিব্রা নৎত্রগনা ইমুং-মনুং নুংঙাইনদবদগী মথন্তা শিখিব্রা হায়বদু চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি হায়না ফোঙদোকখি। হীরম অসিগী মতাংদা এদমিনিষ্ট্রেসননা ইনভেষ্টিগেসন চথুবা হোৎনরি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF MINORITIES AND OTHER BACKWARD CLASSES
1st FLOOR, SOUTH BLOCK, SECURED OFFICE COMPLEX, A.T. LINE, IMPHAL: MANIPUR

NOTIFICATION

Imphal, the 19th June, 2017.

No. A/3/98-MOBC (Pt)/753: In continuation of this Directorate's Notification of even number dated 16th June, 2017 pursuance of Ministry of Minority Affairs, Government of India's mail dated 19/06/2017, it is hereby informed to all concerned that the Ministry is conducting Two Days Workshops/Interactive Sessions on 23rd and 24th June in Imphal with the following amended details:

i) On 23rd June, 2017 at the Manipur Film Development Corporation Hall, Imphal- A one day workshop on the topic *"Sensitization Workshop on Career Counseling for Students of Manipur aspiring for Studies and Employment Opportunities"* for Minority Students of Manipur State reading in Class IX to XII.

ii) On 24th June, 2017 at the Conference Hall of Secured Office Complex, Imphal - A one day *"Workshop on Impact Assessment and educating the Project Implementing Agencies (PIAs) and beneficiaries on Skill Development and Employment Generation - Nai Roshni"*

2. All the interested stakeholders, including 1-2 teachers per school, are hereby requested to attend the Workshops/Interactive Sessions without fail. *Programme Schedules of the Workshops/Interactive Sessions remained the same as already notified.* Advance registration/confirmation for participating in the Workshops/Interactive Sessions may be made by 21st June, 2017.

3. For further details, please contact the Nodal Officer (Scholarships)/MOBC during office hours and also at the Enquiring mail: mobc-scholarships@googlegroups.com

(Kh. Dineshchandra Singh)
Director/MOBC,Manipur.

HL-B/3955/21

মণিপুর ইংস্টিট্যূট অফ় টেক্নোলোজী
MANIPUR INSTITUTE OF TECHNOLOGY
(A Constituent College of Manipur University)
TAKYELPAT, IMPHAL – 795 004 : MANIPUR

ADMISSION NOTICE

Imphal, the 16th June, 2017

No.3/1/2016-MIT(M.Tech.)/162 Applications in prescribed form are invited for admission into M.Tech. Programmes in (i) Civil Engg., (ii) Electronics & Communication Engg. and (iii) Computer Sc. & Engg. Application Form along with Prospectus can be obtained from the Admission Counter w.e.f. 16/06/2017 on payment of ₹500/- only (₹300/- in case of SC/ST/PwD candidates) by Cash/Online payment/Demand Draft in favour of Principal, Manipur Institute of Technology, Takyelpat, Imphal for the academic session 2017-2018. Application form along with Prospectus can also be downloaded from the Institute's website www.mitimphal.in

Details can be seen from the Institute's Notice Board and website.

Sd/-
Prof. R.K. Hemakumar Singh
Principal i/c,
Manipur Institute of Technology,
Takyelpat, Imphal.

HL-B/3957/21

OFFICE OF THE
IMPHAL SMART CITY LIMITED
DIRECTORATE OF MAHUD, PDA COMPLEX, NORTH AOC, IMPHAL

No. 3/1/2017-ISCL
Imphal, the 8th June 2017

REQUEST FOR PROPOSAL (RFP)

The Imphal Smart City Limited (ISCL) invites RFP for selection of a Project Management Consultant (PMC) to design, develop, manage and implement Smart City projects under Smart City Mission (SCM) in Imphal, Manipur. The scope of work, instruction to the agencies, eligibility criteria and prescribed format etc. may be downloaded from the website http://manipur.gov.in/ and http://imc.mn.gov.in/.

The proposal complete in every aspect may be delivered to the undersigned by Post/Courier/Registered Post or through special messenger on or before **15.00 hrs of 10th July 2017** in a sealed envelope superscribed with **"RFP - Project Management Consultant - Imphal Smart City Limited"**. Submission of proposal through other mode will not be accepted. Documents received after the above mentioned date will not be entertained. ISCL will not be responsible for any delay/postal delay or bids lost/damaged in transit in receiving the proposal.

Sd/- **Th. Harikumar Singh**
Chief Executive Officer
Imphal Smart City Limited

In case of queries and clarification on the above, please contact:
CEO, ISCL
Directorate of MAHUD, PDA Complex, North AOC, Imphal-795001
Email: ceoimphalsmartcity@gmail.com or poimphalmunicipal@gmail.com

No. 2/33/2015-DIPR(V-III)
HL-B/3956/21

ꯂꯥꯏꯌꯦꯡꯖꯔꯤ/ লায়েংজরি
UMA AYURVEDIC CLINIC
(DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙল্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোকশাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream
Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,

HL-B/3918/5/6-4/7